# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 11-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলক্লি।

২) মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই মরি সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে।

অমসুং

৩) ভারত অমসুং ইটলিনা য়ুক্রেন ৱাথোক য়ারিবা মখৈ থুনা লোইশিন্নবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখ্রে।

**------**

পুলিস (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ নুমিৎ নিনি খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎলক্লি।

ইম্ফাল সহরগী মফম কয়াদা সেক্যুরিতি চ্যেক পোইন্টশিং হাংদোক্লুনা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌবা য়াওনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি। ইম্ফালদা প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামগী মীতিনদা ৱা ঙাংগদবা মফম, ঐতিহাসিক ওইরবা কংলাগী অকোইবদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা অয়ুক নুংথিল নুমিদাং নাইদনা হান্নদগী হেন্না কন্না ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎলে।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংগদবা মফম, তুইবোং পিছ

গ্রাউন্দগী অকোইৎবদা অকনবা ঙাক শেলগী থবক লৌখৎলে। চুরাচান্দপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনসু হুকুম অমা থোক্কুনা এয়ারগন পুদুনা চৎপা অমদি শিজিন্নবা থিংখ্রে।

এরেষ্ট (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা চিংনবা মফম কয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চখুবা অমসুং এরিয়া দোমিনেসন লেপ্তুনা চখুরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ত্রোলরুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- অককবা পাউশিং ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চখুবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি আইন্না য়াদবা থবকশিংদা চেন্নবা মীওই মরি ফারে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লংথবাল কুঞ্জ ময়াই লৈকাইদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক্কী মীওই অমা মহাক্কী ময়ুমদগী ফারে। মঙোনদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা ফংলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তিংগ্রি লমখায়দগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চনবা শুনু সিফাই অৱাং লৈকাইদা লৈবা ময়ুমগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.এন.এল.এফ (কোইরেং)গী মীওই অমসু ফারে হায়রি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পার্কিংদগী কে.সি.পি (তাইবং ঙানবা)গী মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে হায়রি।

সম্বিত (এল)ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকী মাংওইননা বি.জে.পিগী অৱাং নোংপোক লমদমগী ইনচার্জ ডাঃ সম্বিত পত্র অমদি মণিপুর ইনচার্জ ডাঃ অজিৎ মাধব রাও গোপচারে ঙরাং ইম্ফালদা লাক্কুনা এম.এল.এশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা বি.জে.পিগী এম.এল.এশিং অমদি পার্তিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং শরুক য়াখি। মীফম অদু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎকা মরী লৈননা পাঙথোকপনি হায়না মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা এম.এল.এ খরনা পাউমীশিংদা

ফোংদোক্লমখি।

অমরোমদা, বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা দেবীনা ঙরাং অহিং হোটেল ইম্ফালদা বি.জে.পিগা চৎমিন্নরিবা দলশিং এন.পি.এফ অমসুং এন.পি.পিগী এম.এল.এশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা য়াওখিবা এম.এল.এ খরনা প্রধান মন্ত্রিগী মণিপুর খোঙচৎকা মরী লৈননা উন্নবনি হায়না ফোংদোকখি।

জিএসটি (এল)ঃ থা অসিগী ২২ দগী চৎনগদৌরিবা নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্ম অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা কান্নবা কয়া পীরগনি হায়না মাইকৈ কয়াদগী ফোংদোকরক্লি।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভানেত্রি ওইদুনা পাঙথোকখিবা ৫৬ শুবা জি.এস.টি. কাউন্সিলনা নেক্স জেনরেসন জি.এস.টি. রিফোর্ম অসি অয়াবা পীখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা কেন্দ্রগী মাইক্রো, স্মোল এন্দ মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেস টেকোলোজি সেন্তর ইম্ফালগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর ডাঃ শিনাম য়োইরেনতোম্বনা হায়- লৈবাক অসিদা জি.এস.টি চৎনবা হৌরকখ্রবা মতুংদা পোৎ-চৈগী মমলদা খরা তাংখৎলে হায়না মীয়ামা ঙাংদুনা লাকপা অদু হন্দক্কী জি.এস.টি রিফোর্ম অসি হেক চৎনরকপদগী খরা মখৈদি শাফরগনি। মহাকা হায়- হান্না টেক্স ৱাংনা লৌরম্বা পোৎলমশিং অমদি সার্ভিসশিংগী টেক্স রেট হন্থরকপা অমদি খরগী শুকলৌ লৌদবা ফাওবা অনৌবা রিফোর্ম অসিদা য়াওরি। মসিদা পোৎ-চৈগী মমল হন্থহন্দুনা লৈরিবা মীচম মীয়ামগী পুন্সিদসু চাউনা কান্নবা পীরগনি।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী লম্বুং কম্ম্যুনিতি হোলদা নুমিৎ হুমি চথুগদবা লি-ৱাগী পোত্থোকশিং শেম শাবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙরাংদগী হৌখ্রে। ত্রেনিং অসিদা পুন্না মীওই ৪৫ না শরুক য়ারি।

আর.এ.এম.পি স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা দি.এফ.ও চান্দেল, মহা এরিয়া নাগা চীফ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট, সরকারগী ওফিসিয়েলশিং য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা নেসনেল হাইৱে-১০২-বিদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা শোক্লবা মীওই অনি অসাম রাইফলসকী কাংবু অমনা কনবা ঙমখ্রে। মসি ফোর্স অসিনা মীয়ামগীদমক মতেং পাংবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা সেন্ট এন্থোনি স্কুলদা থা অসিগী ৯ দা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা মহৈরোইশিংগা পুন্না খঙমিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। ককচিং জিলাগী ককচিং খুনৌদসু হকচাং ফনা লৈবা অমসুং অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনবগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মোদি ঃ ভারত অমসুং ইটলিনা য়ুক্রেন ৱাথোক য়ারিবা মখৈ থুনা লোইশিন্নবা হোৎনহন্নিংবগী অপাম্বা ফোংদোকখ্রে। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং ইটলিগী প্রধান মন্ত্রি জিওরজিয়া মেলোনিনা ঙরাং টেলিফোনদা ৱারী শান্নবদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ৱারী শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া ফোংদোকখি। ইন্দিয়া-ইরোপিয়ান য়ুনিয়ন ত্রেদ এগ্রিমেন্ট অসি নাকল অনিমক্কী ওইনা কান্নমিন্নগদবা মওংদা থবক তৌনবা হোৎনবদা ইটলিনা শৌগৎপগীদমকসু শ্রী মোদিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

অরুনাচল ঃ অরুনাচল প্রদেশকী মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা হায়রি- শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক সাসন অমা ওইহন্নবগীদমক মহাক্কী সরকারনা কন্না হোৎনরি।

অরুনাচল প্রদেশ বিধান সভাগী দি.কে. ওদিতোরিয়ম হোলদা ঙরাং পাঙথোকপা অরুনাচল প্রদেশ পাব্লিক সার্ভিস কম্বাইন কম্পিতিতিভ একজামিনেসন ২০২৪ দা মায় পাক্লবা মীওই ১৪০ দা থবক চংবগী চে য়েন্থোকপগী থৌরমদা শ্রী খন্দুনা হায়– ভারতকী গনতন্ত্রদা সরকারগী অচৌবা ফম াইবশিংগী থৌদাং য়ামা চাউই। মখোয়না থম্মোয় শেংনা অমদি থৌনা লৈনা পাঙথোকপা থবকশিংনা রাজ্য অমা নত্রগা লৈবাক অসিবু হেন্না চাওখৎহনবা ঙমগদৌরিবনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মণিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী খোঙচৎ মাংওইননা বি.জে.পি লুচিংবা সন্বিত পত্র ইম্ফালদা থুংলখিবা অমসুং য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা নেসনেল হাইৱেশিংদা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা থিংবগী খোঙজংগী পাউনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

পোকফম পাউচেদা মোদিগী খোঙচৎ মাংওইননা সন্বিত পত্র অমসুং আজিৎ গোপচারে ইম্ফালদা থুংলরে, বি.জে.পি অমসুং বি.জে.পিগা চৎমিন্নরিবা এম.এল.এশিং ৱা তান্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি চুরাচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা পাঙথোক্লদবা মীয়ামগী মীফমদা শরুক য়ারবা য়াই হায়না মোর্নিং বেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা লল্লোন ঈতিক্কী পোৎ চৈ থিংবগী খোঙজং চখুরি, চীফ সেক্রেতরিনা অমুক হন্না য়ু.এন.সিদা ৱারী শান্নবা খঙহনখে, ৱারী শান্নগদ্রা শান্নরোইদ্রা হায়বগী ৱারেপ ঙসি লৌগদৌরি হায়না হুইয়েন লানপাউদা

অনিসুবা হেন্দলাইন তৌরি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল অমসুং শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লৈমায়দা ফোংলি।

য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা ইন্মরজেন্সি মীফম কৌখ্রে হায়না দি চামদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সরকারগা ৱারী শান্নরবা তুংদা য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলগী খোঙজং হন্দোক্লবা য়াই হায়না তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেন্দলাইন ওইরি।

প্রধান মন্ত্রি মোদিগী খোঙচৎ মাংওইননা গভর্নর আজয় কুমার ভল্লা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা এম.এল.এশিংগা উন্নখ্রে হায়না পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর খোঙচৎ কোরকোমনা বোইকোট তৌরে হায়বা পাউ গানফিউ মেলদা অহানবা হেন্দলাইন তৌরি।

নেসনেল হাইৱে অনিদা পোৎ চৈ থন্না য়াওবা গাড়ি কয়া পনদুনা লৈরে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনালৈবাক পাউচেদা কুমজা ২০২৪ দা মণিপুরদা মীওই ৪১ সুইসাইদ তৌখি। মসিগী মনুংদা ৩৩ দি নুপানি হায়না অনিসুনা হেন্দলাইন তৌরি।

------